ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২৮, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৪৪ শুবা মশীং

# ম্যান্মারগী পাউমী টিম

## এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী কান্নবা খঙহন্নবা হোৎনসি

**মণিপুর** সঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরমগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স মণিপুরনা ষ্টেট লেভেল কম্মিটি ফোর এক্ট ইষ্ট পোলিসি ইন মণিপুর চুংশিন্নরগা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়াগী ইন্টর রিজনেল মিদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালদা পাঙথোক্লি। প্রোগ্রাম অসি য়াওবা নংননবা ম্যান্মারগী নুপী ২ য়াওনা মীওই ১১না শাবা মিদিয়াগী টিম অমা শরুক য়ারি। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ওইবা মরম্না প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ সী কে নায়ক, প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মেম্বর বিবেক সক্সেনা, ন্যুজ মিদিয়া কাউন্সিল, ম্যান্মারগী মীহুৎ য়োশ্বামিন, এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রকাস দুবে অমসুং ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোসুরি অমরনাথনচিংবা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়ারি। মিজিমা মিদিয়া গ্রুপ অমসুং ম্যান্মারগী মমিং লৈরবা পাউমী কয়ামরুম থৌরম অসিদা শরুক য়ারি। লৈবাক অনীমক্কী পাউমীশিংগী মরক্তা মতেং পাঙনবা অমসুং মিদিয়াগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পীনবা, ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি চাওখৎহনবদা মিদিয়াগী থৌদাংনচিংবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং ষ্টেট লেভেল কম্মিটি ফোর এক্ট ইষ্ট পোলিসি ইন মণিপুরগী কনভেনর সিবচন্দ্র, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী কম্মিস্নর কে রাধাকুমারনচিংবা কয়ানা দেইজ মেম্বর ওইদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। চীফ মিনিষ্টরনা ম্যান্মারগী থক-খা নাইনা চৎপা অমসুং হৌন খঙবা মতৌশিং থাগৎতুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা পাউমীশিংদা মরাং হৌহনখি। ম্যান্মারদা হোর্ন খোংদবগী চৎনবী লৈবদু মণিপুরদসু মহাক্কী লৈঙাক্লা মতৌ তম্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ইম্ফালদা ফুটবোল শান্নখিবা ম্যান্মারগী টিম অদুবুসু হৈথোই শিংথোইবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা রিজনেল মিদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা ম্যান্মারগী পাউমীশিংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরনা ম্যান্মারদা করম্বা মিৎয়েং য়েংলি অমসুং মখোয়দগী করি থাজবা থন্লিবগে হায়বা খঙহন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা খুদোংচাবা অমা পীরি। লৈবাক অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়দুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা য়েংবা মিৎয়েংগী মখাদা থবক ময়াম পায়খৎকনি হায়রগসু ম্যান্মারগী পাউমীশিং অদুনা এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়বসি করিনো অমসুং মসিনা ম্যান্মার মচাশিংদা কয়ামুক য়াম্না কান্নহনগনি অমদি মণিপুরদনা করি ওইজ-ওইথক ফংগদগে হায়বগী মতাংদা করিসু খঙদবদৌনা তৌই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙ চহীদা নেপিদোদা লাক্লম্বা খোঙচৎতা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী ৰাফম ফোঙদোক্লম্বদুগা মরী লৈনবা করি থবক-থৌরমশিং পায়খৎলিবগে হায়বসু নিংথিনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা য়েংনবদা লৈবাক অসিগী মিদিয়াসি অদুক হাক্লা মনীং তম্বা ওইদে হায়না হায়নরগসু ম্যান্মারগী লৈঙাক্লা পাউচেশিংদা পীরিবা মনীং-মখা তম্বদুগা য়েংনরুরগদি ইন্দিয়াগী ওইনদি লাইরৈবাক্কা মান্নে হায়বা য়াই। চুম্মী ম্যান্মার চহী ৪০ রোম লাল্মীগী লৈঙাক লৈরুরে। লাল্মীগী লৈঙাক অদুনা মিদিয়াগী মনীংতম্বা পুম্নমক মুখৎখি। শুপ্নতগী পাউচে অমখক লৈঙাক্লা চলাইরগা গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৰাখল্লোনশিং অমসুং ঈ-পাউশিং মীয়ামদা নমদুনা য়ৌহনবগী থৌওং চৎথদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াদি খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবনা ফ্রীদম ওফ স্পিচ অমসুং পাউচেশিংগী মনীংতম্বসি খরমখৈদা পনবা য়াদ্রগসু অয়াম্বা শরুক্তি মীয়ামগী খোল্লাউ ওইদুনা লৈরি। অসিগুম্বা খোল্লাউ অসি ম্যান্মারগী পাউচেশিংদসু লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈ। পাউচেশিংনা মনীং-মখা তম্না, অকি-তুজুংবা অমত্তা লৈতনা পাউ ফোঙবা নৎত্রগা হায়বা ঙমদবা মতমদতা লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসিগী মহাও হেন্না লৈহনগদৌরিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৰাফমদি, ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈরগসু ম্যান্মারদা মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্কী ঈ-পাউশিং য়ৌহন্দনবা হোৎনবা অমসুং হৌজিক্কী মতমদা মীয়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইনা শীজিন্নরিবা ৰাটঅপনচিংবা শীজিন্নবা য়াদবগী থৌওং চৎথরিবসি কোকহন্ননবগীদমক ইন্দিয়াগী পাউমীশিংনা মখোয়দা করি মতেং পাঙবা য়াবগে অমসুং করম্বা থৌইনশিল পীবা য়াবগে হায়বদু লৈবাক অনীগী পাউমীশিংগী ওইবা ইন্টরেক্সসন প্রোগ্রাম অসিদা য়েংহন্নীংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মুক্না কাংজৈবু হন্থনা য়েংবীবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চহী** ১০ চুপ্পা লিশাং শিংনা চত্থরক্লবা অহানবদা মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিবেল কৌরম্বদগী সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না মিংথোন্দুনা হৌখিবা নবেম্বর ২১, ২০১৭তগী হৌদুনা চত্থরকপা অসিদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ষ্টোল কয়া হাংবা অমদি কলচরগী অমদি য়েলহৌগী ওইবা জগোয়-ঈশৈ অমদি শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়া উৎপা অসিনা মপূং ওইবা শক্তম ওইরি। মসিদা মুক্না কাংজৈ হায়বা মশান্না অসি ঙসিদগী চহী ৭০০ মুক্কী মমাঙদগী শান্নদুনা লাক্লবা খুন অমগা খুন অমগা হৌনবা, খুন মশাদসু খুন্থক-খুনখা নৎত্রগা খা নৎত্রগা অৰাং খাইদোক্তুনা মী ৭/৭ না শাবা মরীল তেংথোক্লবা মশান্না অমনি। মসি মরুওইনা ১৩শুবা শতাব্দিদা মোইরাংদা ইৰাং নিংথৌ পুরিৎলাইনা পানবা মতমদা নাকল অমদা নোংবান্না লুচিংবা অদুগা নাকল অমদনা খন্বনা লুচিংদুনা অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইনা শান্নখিবা মশান্না মখল অমনি। অসিগুম্বা ইন্দিজিনস গেম অসি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না নুপা থোকপা মুক্নাসু য়াওবা অসিগুম্বা মশান্না আসিবু সঙাই ফেষ্টিবেল শীনবিরিবা কাঙবুনা থৌওই ৰাওইবিদবা অমদি পূক্নিং চঙবীদবা অসি য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদে। মরমদি অসুক ফজখ্রবা মশান্না অসি মমাঙৈদগী হৌনা লৈমা-নিংথৌ অমদি নিংথৌগী মচানুপী য়াওনা য়াম্না হরাউনা মিৎয়েং তারম্মী। অদুবু ঙসিগী সঙাই ফেষ্টিবেলগী কম্মিটিনা মীনা উরোইদবা শান্নবুংগী মতাই লৈকুৎ-কোমকুৎ মরক্তা ইন্থোক্তুনা কনা উহন্দনা শান্নহনবা অসি মশান্না অসিগী মগুণ খঙদবা অমদি খঙলবসু মীরমগী মমাঙদা উৎনীংদবা হায়বসি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা অমনি। মশান্না অসি মালেমগী মমাঙদা উৎপদা থোইনা চোপ্পরোইদবা মশান্না অসি হন্দক্কী অসিদগী মপূং ফানা হাৎতোকপীখ্রে। ৰাফম অসি ককপা য়াররোইদবা ৰাফম অমনি অমদি তুংগী মীরোল ফাওবনা ঙাঙনহৌরগনি। অদুনা মসিদগী হেন্না লাইবক থিবা অসি মালেমদা লৈররোই। কুম্মৈ হায়বা অসি মীয়াম মাঙদা উৎনবা অমদি মসি মীয়ামদা উৎলগা শান্নরোয়শিংগী থৌনা কয়া পীরিবনি। অদুবু থৌনা পীবদি লায়রদনা মতুংদা অমুক থোরক্তনবা শিল্লি-লাংলিবশিংনা অতম্না তৌবীবা অসি য়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*ককচীং খুনৌ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬১

১। মখাদা পীরিবা অরিবা ৱাহৈ অনীসি ঐখোয়গী থাচৎ অনীগী মমিংনি।
হৌজিক চৎনরিবা মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) কানবী (খ) অচিৎ।
২। "হে উমাপতি, পীনবিরো ননাইগী প্রায়শ্চিত।" ৱাহৈ পরেং মতেকসি হিজম গুণগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। উপন্যাসতুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "হয়েংমক ঐখোয় মফমসিদগী চৎখিদবা য়াদ্রে।" পরেং অসিনা শরতচন্দ্র নোংথোম্বম্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "...ঐসু মমাঙঙৈগী সুমতিদু নৎত্রবনি। অনৌবা সুমতি অমা ওইরবনি।" ৱাহৈশিং অসিনা 'নক্লরবসু লাপ্নখ্রবী' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ২০০০দা 'রাইটর ওফ দি ইয়র' মিংথোল পীখিবা তাংখুল অইবদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পাউচেগা লোয়নরকপদা থেংনরকপা থৌদোক খরা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৬৬
**জিতেন নামৈরাকপম**

**পাউচেদা** ইবগী থবক তৌবসি য়াম্না শাথিনা লুবজাৎনি হায়বসি ইশামকসু খঙলকপা কুইরে। তশেংনা হায়জরবদা হৌজিকমক আই এস টি ভিগী চীফ এদিটর ওইবিরিবা মীয়াম্না শকখঙনরবা তামো ব্রোজেন্দ্রো নিংঙোম্বনা মতম অমগী য়াকাইরোল পাউচে ফোঙলিঙৈ মতমদগী ফিচর হায়গদ্রা আর্টিকল হায়গদ্রা কুমজা ১৯৯৭তগী ইবা হৌজরকখ্রে। ঙসিদি পাউচেদা ইবগী থবক তৌজরকপসি চহী ২০ মপূং ফাখ্রে। মীয়াম্না থাগৎপীরকপসু ময়াওই। আ-দা লৈখা তানা শীথরকপসু য়াওদবা নত্তে। পুম্নমকপু তরাম্না ওকশিঞ্জে। মীয়াম্না থাগৎপীরকপগী থোইনা হরাউবসু লৈজদে। নোরক্কী কোমদা চিংথদুনা লৌখৎপা য়াদবমখৈ ঐবু শীথবিরকপা মীওইসু তরাম্না ওকশিঞ্জে। মরমদি ঐগী অশোয়বা অরানবা থিবিদুনা চৈবিরক্লিবা মীওইদু ঐবু খ্বাইদগী নুংশিবীবা মীওইনি খঞ্জে। পাউচেদা ইরিবনি হায়দুনা অঙাও অফেগী টাইপতা হায়নীং-হায়নীংবা পংহায়দা হায়বা, ইনীংলিবনি হায়দুনা পংইদা ইবা য়াবা নত্তে। ইশামক্কী ওইনা হায়জরবদা চিক্লা তাংলৌ থেংলবা, মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতম, মীয়াম পূম্বনা গো-গো নাখোক্তুনা তুম্নখ্রবা, উ বিম কয়া কয়া হোরাই লেন্থনরক্লবা মতম অদুদা ঐদি ফুক হৌগৎলি। অদগী কৈদৌরে হায়বদা কুমজা ১৯৪৯দা সোভিএট আর্ম ফোর্সেসশিংনা য়াদুনা রেদ আর্মিনা শীজিন্নবা হৌখ্রবা রসিয়া মচা মিখেল কালাশনিকোভনা পুথোক্লম্বা এ কে ৪৭ গুল্লবা দর-দর খপথবা য়ারবা কলম ৩০ মুক লৈরিবশিংদুদগী অমা শৎকৎলগা ইবা হৌরকখি মথং মথং। সোসল ইস্যু কয়া, থেংনরবা, উরুবা, তারুবা, হকথেংনরুবা, কোয়রুবা, লাংলুবা অৰাবগী, নুংঙাইবগী, নোকপগী, কপ্পগী মথং মথং ইজরকপদা ঙসিদি চহী ২০ পুরা মপূং ফাখ্রে। অমুকসু খঞ্জিল্লুবদা খল্লকই। পাউচেদা ফোঙদোক্লুবা হায়বসি অসুক্কী মতিক কিনিংঙাইনি, মরুওইনা য়েৎ, ওই, তুং-মাং, নাকল-নাকচি কয়া শেন্নদুনা ইদ্রগদি খুদোংথিনিংঙাইগী মশকনি। পাউচেগী মতাংদা কাপ্তুনা হাৎলম্বা, শিবা নাইবা শোয়নায়বা, বোম থল্লম্বা অসিনচিংবা কয়া লৈখ্রে। ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাঙদা য়ু থিংবগী মতাংদা ইরুবগীদমক ঐবু কোয়থি থিবা লাকপা ফাও য়াওখি। খুলদুগী মমিংদি পঞ্জররোই তৌবতবু মীতৈ খুল্লক্তা য়ু কন্না থিংলকপা, য়ু মৈ থাবা, য়ু য়োনবা খোঙ্গোইনবা, পাউচেদা য়ু য়োঞ্জররোই হায়না শেংদোক্লবতনা পীক থল্লবা মতম অদুদা ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা কৈশামথোং, মুচী খুল, মেজর খুল, রগাইলোং, তেরা রামজি, সঙাইপ্রৌ, মহাবলি, দিমদাইলোং, লংথবাল কবুই খুল, চঙাঙ্গৈ, হিয়াংথাং, য়ূম্নাম হুইদ্রোম, ঐগী নুংশিরবা মরুপ লোংজম সনাতোনখোয়গী মনিং খুলনচিংবদদি ফ্রি থাদোক্লগা য়ুসি পংয়োন্দা য়োনবগী মতাংদনি। ইম্ফাল ময়োলগী কবুই খুলশিংদা ধর্ম্মগী মিংদা য়ু শুংলগা পংয়োন্দা য়োল্লগা শেল তাল্লে হায়বগী ৰাকৎ কয়া লাকখি। অইবসু চৎলুই, য়েংলুই, থিরুই, মহাও তংলুই অশিনবা, অয়াকপা, অখাবা, পুম্নম নম্বা,কাথি নম্বা, হামৈ হেনবা পুকয়ু, ৰাইরু, অতিংবা, হৈখাগী, মালহৈগী, লফোইগী, সিতাফলগী, কিহোমগী মখল মখলগী য়ুগী মথেল কয়া কয়া। মপান লমদগী পুশিল্লকপা স্কোটস হুইস্কিগী অতাঙ অতাঙবা লৈতোন্দা থেংবদা জিং লাউনা মনিল ওল্লগা পাইখিবা মানবা মনম ইচেন চেন্দবা প্রেমিয়র হুইস্কি, ব্রেন্দি ৰাইন, রসিয়াগী ভোদকা, কোরিয়ন সোজু, গোৱাগী ফেনি (য়ুবীদগী শুংবা) খয়াক্লবা শগোলদা পীথক্লবা রম, অলকোহলগী চাং নেম্না য়াওবা বিয়রগুম্বা অদুগুম্বা অমত্তা নত্তে। ইন্দিজিনস পিপলনা শুংজবা য়ুনি। করিনোনেহে শোমদনা মীতৈ খুল্লক্তা য়ু কন্না থিংলি, লৈত-লায়রবা লিক্লি ২০/৩০ পুরগা লাকচবা নোংমগী চরা তাল্লিবশিং ফারগা হৈদোক্তুনা, মৈ থাদোকই, মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গোইনৈ। অদুগা ইনক নক্লা লৈরিবা কবুই খুলশিংদা হিয়াংথাং বর লাই খুরুম্বগী মওংদা মী কৃক কৃক ইন্ননা গাড়ী খামফম লৈতবমখৈ ইন্নদুনা শেন্দাল লম্বী ওইনা চৎথনবদুদা থুক লাউবা অমা ফাওখি। য়ু হায়বসি ফৎতবা চিঞ্জাক অমনি। মসিগী ফৎতবগী মতাংদদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। মীতৈ খুল্লক্তা য়ু য়োনবদা শৌগৎপগী ৰাফম লৈজদে। কবুই খুলশিংদনা মনীং তম্না য়ু য়োলহল্লগা, আইননা য়াদেদি হায়রগা পুলিসনা করিনা, নিশাবন্দ কাঙবুনা চঙশিল্লুবসু ঙমদা শোমদা য়ু য়োনবদতা দলান মথোল-মথোল শাগৎনরে হায়না ইরুবগীদমক অইববু কবুই সম্মিটিনা য়াম্না ৰারৌখি।

মসিনা ৰা অমদা থমখ্রগা অমুকসু কিবা অমদুম য়াওশিল্লকপা ফাওরকই পাউচেগা লোয়নবসি। করিসু নত্তবা ক্লাস আইট পাস তৌদবা অঙাং অমনা মাগী মপুন্সিদা ফংবা ঙল্লরোইদবা, আই এ এস, আই পি এস, মগুণ লৈখ্রবা একাদেমিসিয়ন কয়া অমবু কাপ কাপ্তুনা হাৎতোকই। হোয়, ফত্তবা মী, মীনুংশি খঙদবা, মশাগীতা খনবা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা খন্দবা ওর্পোচুনিষ্ট হায়গদ্রা মশাগী ওইজবদা থিবা মীওইবুদি অদুমক মরৈকো! মদুবুদি ফৈ হায়নীংদে। অদুদা হায়জনীংবদি পোক্লবদি শিগদবা মরৈরবা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা অফবা, অচুম্বা খরদং ওইরবসু তৌমিন্নসি হায়জবগী ৰাফমনি। পাউচেদা করিদা ইজরিবা মপূক্নিংগী ৰা ফোঙদোকচরিবশিংদা ফ্রিদম ওফ স্পিচ হায়জরগসু করিগুম্বদা কলম মচিনসি ব্রেক ফারকপা, অচুম অচুম্বদু হায়বা ঙমদবা মতাং য়াওরকই। খ্বাইদনি হায়জনীংলিবা চিন অসি মখোল থোক্তনবা সোলুটেপনা নপশিনবীবগী মথক্তা, মাই হেন্দস এন্দ লেগস আর টাইদ টুগেদর ৱিথ এ রোপ। ঙাঙনীংবা হায়নীংবদু নীংতম্না হায়বা ফংজদে।

কুইদ্রি, মণিপুরদা ফোঙবা মমিং চৎলবা পাউচে অমা খোমজিল্লগা মৈ থাদোকখি, প্রোটেষ্ট তৌখিবগী মতাংনি তাখি। করি ৰাবু ইরুরিবা খঙদ্রে। মীগী থম্মোয় শোকপা ৱাহৈ ৰাতা য়াওবজাৎলা মদুমসু খঙজহৌদ্রে। তৌবতবু ইবা মতমদা হিংলিবা নৎত্রগা শিখ্রবশিংগী মমিং দাইরেক্ট হেক্তা পল্লগা ইবসি থাগৎপীবা ওইরগদি হরাউবা, শিদবা ওইরগদি শাওনীংবা হায়বসি মীওবগী হৌনশা ওইরমগনি খঞ্জে। অদুবু ঐখোয় নীংহন্নবা য়াদে ইগদবনি, ফোঙদোক্কদবনি, অচুম অচুম্বা ইবদা কিন্নীংঙাই মরম করিসু লৈতে। তৌবতবু তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংদুগী মরক্তা ইবনা ফগাদ্রা খঞ্জে। ৰাথোক লান্থোক ওইদনবা! য়েংসি, নহান নোংমদু ফ্লাইট পুং অনীরোম থিন্থবদা পেন্দবনা মরম ওইরগা নিরালা কৌবী ডোক্তর অমনা বিহারগী পাটনদা মবুংগী পোৎলোইবা য়াওবা চৎকদবা অদু থিন্থহল্লে হায়দুনা শাওবদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর টুরিজমগী অলফোন্সতা ৰাকৎখিবগী মতাংদা নেসনল মিদিয়াগী হেদলাইন ওইখিবগী মতাংদু থাগৎচখি। ভি ভি আই পি, ভি আই পিগী কলচর মুখৎলসিদি হায়রগা হৌজিকসু অদুম লৈরিবসি পেন্দে হায়বগী ৰাকৎনি। কারদগী, জিপসিদগী মমল তাঙলবা গাড়ীদগী বেকন লাইট লৌথোকখিবা খক্তনি। নরেন্দ্র মোদিজি হৌজিকমক ভি আই পি কলচর অদুমক লৈরি। অমুক্তং মুখৎনবা থম্মোয় শেংনা হোৎনবীয়ু। ভি আই পি কলচর য়ানীংদে, ফ্লাইট মতম থিন্থহল্লে হায়দুনা ৰাকৎলুবা ডোক্তর নুপী রিমসকী ওবস এন্দ গাইনি দিপার্টমেন্টতা পি জি তৌরিবা নিরলা- ডোক্তর নিরলা অদু মমায়দা থাঙনা য়ান্থৎলগা মীশি চাদনা হাৎতোকপীরল্লে হায়বগী পীকচর ফেসবুক্তা থাগৎলকপা উরুবদা শ্বাই লাউবা ফাওখি। থাগৎলক্লিবা মীওই অদুগী একাউন্টতা রানা টনা টরা হায়দুনা মমিং পল্লি। অদুবু মদু ফেক ন্যুজ ওইরমদ্রা খল্লি। ঙরাংগী পাউচেদা ডোক্তর নিরলা শিবগী পাউ য়াওদ্রে। ভি আই পি কলচর মুখৎলসি হায়খিবী নিরলাগী পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ওইরসনু।

# ফিদা কনবা অমসুং ফিদা মুন্নবা - ৬

ৰাখল ইহুল
**সোরাম ইবোহল লূৰাং**

**মীতৌ** তম্বা পামগনবা ঐখোয়গী খুন্নাইচাশিংনা মীতৌ তম্বা হেক তোকপা মতমদা ফিদা শোয়দনা কনবা ঙমগনি। শুবা নোম্বা কন্দুনা মীপাল তাংদনবা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লবা মতমদা মীতোপ্তুগী ফিদা মুনবা শোয়দনা ঙমগনি। অদুনা ফিদা কনবা অমসুং ফিদা মুনবা হায়বসি লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে। অদুনা ইশা ইশাগী য়ূমদগী শেমদোকপা-চুমথোকপা হৌবা য়াম্নমক মথৌ তাই। খুদম ওইনা, অয়াম্বা ইমুংশিংদা কৌনরিবা মীতোপকী মিঙ্গৌশিং পাপা-মামা/দাদি (দাদ)-মম্মী, ব্রদর/ভায়া, ভাবি, অঙ্কল/চাচা, অন্তি/চাচা-চাচি হোংদোকপা; চহী য়াঙ্খৈ-হুম্ফুগী মমাঙদগী মীরমগী মরোলগী মিং হায়বদি প্রিয়কুমার, শ্যামসুন্দর, গোপাল, গোপিমোহোন, গোকুলচান্দ, জয়চান্দ, চান্দ, শিতলকুমারনচিংবা নুপাশিংগীদা; লক্ষ্মী, গঙ্গা, গিতমালা, লতা, প্রিয়াদর্শনী, পিঙ্কি, রোজি, রোহিনী, মায়া, চিত্রলেখানচিংবা নুপীশিংগীদা; পিটর, নিউতোন, জেমস, জেমসন, জেক্সন, জোসেফ, মাইকেল, রোবার্ট অসিনচিংবা ফোরেনগী মমিংশিং হান্না কৌখ্রবদি কৌখ্রে - নৌনা পোকপা অঙাংশিংদা কৌবিদ্রবদি/থোনবিদ্রবদি ইনাৎকী ফজরবা মিঙ্গৌশিংগী অমদি মিংশিং থোনবগী ফিদা মখা শাংথনা কনবা ঙমগনি নৎত্রবদি ৰাগনি।

ইরমদমগী য়াম্না কৌনবা য়াবা মিংশিংদি- ইবোহল, ইবোয়াইমা, ইবোতোম্বী, চাওবা, তোম্বা, চাওভল, মনিতোম্বা, থোইবা, খোম্বা, খম্বা, তোমচা, চাওতোন, চীংতম হেনবা, চীঙ্খৈ, তমচীংঙানবা, মালেমঙানবা, চাওয়াইমা, য়ূমজাও, তোম্বুং, নোরেন, কুঞ্জবী, সেখোর, নাতুম, কোরৌঙানবা, চীংলেন, চীংলেম্বী, লেম্বী, মালেমঙানবী, ইমুংঙানবী, সনাহনবী, অইংবী, লিক্লাই, পিদোননু, থম্বালনু, তরুনী, চনিংখোম্বী, খোমদোনবী অসিনচিংবা নুপা-নুপীশিংগী ওইবা মমিংশিং কৌবা/থোনবা য়াই।

মমাঙঙৈ য়ূমদা লোয়বা শা-ষণশিংদা নুংশিনা কৌনরম্বা/থোল্লম্বা মমিং খরদি-মরাইবক থম্বাল শাৎপদনা-থম্বাল, কেগনবদনা-থোইবী, মচু ঙৌরগনা-অঙৌবী, মুরগনা-অমুবী, অরাংবী, মঙ্গেবী, য়োংমানবী, উৎমানবী, কারুবী অসিনচিংবা। মতম অদুদা থোল্লম্বা মিংশিংদি ৰাহন্থোক য়াম্না লৈনরম্বমক্তনি। অদুনা হৌজিক অমুক নৌনা কৌনদুনা ইনাৎকী ফিদা কন্নবা হোৎনবদা মীতোপকী মাংদা ফিদা হেন্না ফজনা কনবা ওইনা থোকহনখি। ফত্তবা অমদি লৈরমদবা ওইরবদি মীঙোন্দগী লৌশি/ৰাইসি। নৎত্রবদি মীপান তাংলুবগী করি কান্নবা লৈবগে হায়বসিনি।

অমুকসু য়ূম/লান্থোক লানশিন তৌনবা থোঙ শাবা হৌনবা মখোং য়ুংবদা উরেপ উয়ুং তম্বা/ হুনববু-যাত্রা; খোঙশানবগী মতমবু-যাত্রা মতম; লাংফম ফবা ফত্তবা য়েংববু-দষা-লাংফম য়েংবা, কৈথেলবু-বজার, লৈরক খুল্লকপু গল্লি; য়ূম অচৌববু-ভবন/মহল, য়ূমশিং/কাশিং শানববু-য়ূম ভারা শানজরি; গাড়ী অতোংমলবু-ভারা; লৈকায়/খুনবু বষ্টি/ভেং অসিনচিংবা হেক্তা হায়জিনবা। মতম খঙনবা মশিং থিবদা পুং ১... পুং ১১ হায়রম্বদগী পুং ১২ হেক তারকপদা বারহ (বারো) হেক্তা হায়বা, মতম তাকপদনা সময় মতম - চহী লিশাং শিংনা শীজিন্নদুনা লাকখিবদগী পাক হেক থাদোকপা ঙমদ্রবসু থাদোক্লবা হোৎনগে থাদোক্লগে হায়বা চপ য়ুংনা খল্লবদি অরুবা ৰাফম করিসু ওইদে। মসিগী খুদম, অইবা ইশাগী ৱারেং অয়াম্বদা অপাবশিংনা কয়া থেংনবিরোই হায়না থমজগে। করিগীনো হায়বদা, ইরমদমগী ইমালোল ইশানা শীজিন্নদ্রবদি/ শীজিন্ননীংদ্রবদি মীতোপ্পা কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোই হায়বসি ঐখোয়না খক কাউথোকলোইদবনি হায়না থমজগে। নৎত্রবদি ইশানা ইশাবু মীতোপ্তুগী হন্থনা য়েংজবা ওইনা লৌগনি। অতোপ্পনা হন্থনা খনখিনি হেক খনবা হৌরকপদা মীতোপকী ফিদা কনহনবা পূক্নিং থৌগৎলগা ইনাৎকী ফিদা মুনহনখিনবা শিনবনি হায়না লৌগনি। য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরক্লিবদি মমাঙঙৈদগী কৌরকপা লমগী মমিং ইম্ফাল ময়োল/অকোয়বা/অনকপা/অথাপ্পা/লোইজি লোইয়াশিংদা মীতোপ্পা খুন্দাশল্লক্লবা মতুংদা মখোয়গী অপাম্বা নৎত্রগা মখোয়গী ওইরকই হায়বা য়ানবা অরোনবা থৌরাং/এজেন্দা অমগী মখাদা হান্না কৌরম্বা মমিং নৌনা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপা হায়বসি ইনাৎকী ফিদা মুন্নবা হোৎনরকপনি। অদুনা সী এম ওশিংনা গভর্ণমেন্টকা খূৎশম্নরগা অসিগুম্বা থৌওংসি অথুবদা থিংহৌবনা হেক নক্লবা মতমগীদা য়াইফবা ওইগনি।

লম মতেক অমগী মমিং ওনবগা য়াম্না নকশিন্নবা ৰাফম অমদি মীতোপ্পা মখোয়গী কম্যুনিতিগী ওইবা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা লাইগী লাইশঙ/চর্চ/মসজিদ হেক্তা শাজিল্লক্লবগী থৌরাং উল্লকপসিনি। মী অমা অনীগী মিংদা হান্না চাওখ্রবা লম মতেক খরা লৈশিল্লিবসিগী মরুমদা শেনজাউ পায়বা কয়া অমসু লৈরিবনি। খোঙহায় চারবদি খরা হেন্না লমগী মমল ওইনা পীবদা চিংনদ্রিবনি। থেম থেমদুনা লমদু লৈরবা মতুংদা ইমুং অনী লাক, মঙা লাক, তরা-কুন লাক তৌদুনা মখোয় খরা চোল্লপ্পা তাশিনবা হৌরক্লবা মতমদদি মখোয়গী মরোলদা লমগী মমিং থোনবা শোয়দ্রবনি। বৃটিশনা পাল্লিঙৈদা খুদোংচানবগীদমক থোল্লম্বা 'সদর হিলস' বৃটিশনা চৎখ্রবা মতুং কায়নথংদগী হেন্দোক্তুনা হৌজিক ফাওবদা মতম চানা মমিং ওন্থোকহৌদবদগী/মুথৎহৌদবদগী, মপানগী অওৎ অপা শাদুনা চীংনা অদুগী হায়না হিগায়ৰা/শিংচেপ থাজিল্লম্বদগী হৌজিক্তা অৰাবা তেকচাক নল্লিবনি। অদুনা মতম মতমগী লৈঙাকপশিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈবাক ঙাকহঞ্জনীংই। মমাঙদা শোয়খিবগুম হৌজিক্তি শোয়হন্নীংদে, অশোয়বশিংগী খুদুং ইনহঞ্জনীংদে।

মীতৌ তম্বদা ফিদা মাঙহনবগা লোয়ননা শেল য়াম্না মাঙহনবদি করম্বা মতমদা মীগী মতৌ তম্বা তাহন্দবিদা অশেঙবা বার্থদেগী থৌরম পাঙথোক্কদগে খঙদনা মীতৌ তম্নিংবা, চাওখৎপা শাবা, নত্তবা পাম্বৈদগী শেল য়াম্না তানশিল্লুবা কাঙবুগী মতৌ অমুক তল্লগা লায়রবা ইমুং খরনসু মীনা তৌনৈ হায়দুনা মচা-মশুগী বার্থদে তৌনবসিনি। অদুনদি মীতোপ্পা ফিদা মুনখিবা তাবনি। করিগুম্বা চহীদা পোকপগী থা, তারিখ, নুমিৎ অমদি মপোক্কী থৰায়মিচাক চপ মান্নবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকই। মসিবু খ্বাইদগী মপূং ফাবা মপোক নুমিৎ (পূর্ন জন্ম - মীরোলদা) তাবা কৌই। অসিগুম্বা মতাংদদি মীদুগী অনীশুবা মপোক অমমুক পোক্লে হায়না লৌনদুনা অখন্নবা থৌরম কয়া তৌনৈ। অসিগুম্বা মতমদদি অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌরগা বার্থদে খরা চাওরকপবু ওইরবসু তৌবা য়াই। থাজবা লাইদগী অফবতা ওইহনবীয়ু হায়না থৌনিজদুনা চহীদুদা তারকপা মপোক নুমিৎকী থৌরম বার্থদে পাঙথোকপদি মরম চাই। অখঙবা অমগী মনাক্তা চৎলুদ্রবসু চহী থা নুমিৎ কয়া শুরবগে খঙবা ঙম্নবগীদমক্তদি - খঙনীংলিবা গ্রিগোরিয়ন কেলেন্দরগী শোক-থা-নুমিৎতগী মপোক্কী শোক-থা-নুমিৎ খায়দোক্লগা চহী-থা-নুমিৎ অসুক শুরে হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা ঙমই। মসিগী কুম্মৈশিংদদি প্লোট অমা শাগৎপদা মথৌ তাহনবা তাঙ্কক অমা ওইবা য়াই। মদু পাঙথোকপদগী থোয়না হেন্না চাওখৎপা তমনীংঙাই ওইদে।

লমদমসিদা মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা ফিজোলগী মথক্তা অনৌবা মওংগী চৎনবী খজিক্তং হাপচিল্লবদি মীরমগী অমদি মীরৈবাক্কী ফিজোলনা করিসু হেন্নীংঙাই ওইদে হায়বসি ইরমদমগী মোদেলরশিংনা হেন্না ফজনা খঙই হায়না থমজগে। মীতোপ্পা য়াম্না পাম্নবসিনা তাকপদি ইনাৎকী ফিদা কনবা ঙমগনি হায়বসিনি। ইরমদমগী নুপীশিংনা শেৎন-ইন্নবদা-খম্বা থোইবী জগোয় শাবদা শেৎপা থোইবীগী ফিজোল, কজেংলৈ, মমল য়াম্বা ৰাঙ্খৈগী ইন্নবা ফি মখলশিং, লমথাং খুল্লক, মমল য়াম্বা অখন্নবা মপান নায়বা ফনেক মখলশিং, হরাউ কুম্মৈ, লুহোংবা-শম্না কেবা তান্নবা ফিজোল, লাই হরাউবা য়াওবদা শেৎ চারিবা, নিংখম শমজি, খামেন চৎপা, লাইফম লাইফমগী ওইবা নুপা-নুপীগী শেৎনবা 'কোদ দ্রেস', লাইগী ফিজোলশিং লোয়নমক মশক থোক্ল া ফজৈ। অসুম্না চীংগী ইচিন ইনাওশিংগীসু ফুরুপ ফুরুপ ওইনা অদুম ফজৈ। মসিবু ফজনা শীজিন্নরবদি ইনাৎকী ফিদা কন্দুনা থম্বা ঙমগনি। অশি-অনা, অৰাবা তারকপদসু ইতোপ তোপ্পা ফিজোলগী মতিক ময়াই লৈরিবনি। খুদম ওইনা, লাই হরাউবা অমদি লুহোংবা হৌরমদাইদা ফনেক মপান নাইবী শেৎপনা মাঙ চিংলগা চৎনবা য়াওরব্রা হায়নরিবনি।

মীরমগী নুপীশিংগী ফিজেৎ-খোইদৌ উৎপী, মশা পুময়োম-য়োমশিনবী, মাংসু-তুংসু কোৎপী অকৌবা ব্লাউজ, কুর্টি, সালৱার, জিন, মশা তপ নপ্পা অতোং-অকুৎ লোয়নমক খঙবা- হৌজিক্কী খুন্নাইদা লমহেন তুহেনবা মৌনহা, লৈশাবী খরনা মৌনি-লৈশাবীনি খঙদনা শেৎপা ফিজেৎশিং শীজিন্নবনা ইনাৎকী ফিদা মীরমদা মুলহনখিনবা মরম ওই। লাই খুরুম্বা মতমদা মৌমখৈনা ফিদোল চিংখৎলগা, লৈশাবীমখৈনা খোইগা শেৎপা ফজবী চৎনবীনি। লাই খুরুম্বদা তৌরিবা অসুম হায়না মমাঙঙৈগী ইমা ইবেলশিংনা তৌনরম্বা অদুম হায়না তৌনরবদি খুন্নাইদা থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৰাথোক ফনা য়াম্না থিংবা ঙমগনি।

ইরমদমগী নুপা-নুপীশিংনা লাইপক্তা নমশা পক্লে নম্বা/থিনবা অদুম ফজৈ। মঙাল লৈবা নুপা-নুপীগী শক্লোন্নি। শম্না হেক্তা, মীতোপকী নুপী মখৈনা মরাইপক্তা মশানা পামজবা মচুগী বিন্দি নম্বা অদুম ফজৈ। ইপুধৌ মোইরাং থাংচিং (থাংজিং) গী ২০১৭কী হরাউরিঙৈদা ইচানুপীগী এম এ (দান্স) কী প্রোজেক্ট ৱার্ককী কলেক্সন চৎপদা ইপুধৌ থাংচীং হরাউফমদা লাকখিবা খুদিংমক ইপুধৌগী ফম্বাক মখাদা থাংচীং চীংদোলগা ফাওনবা শুরুংদগী লৌবা মালেম লৈশাগা লাইজ ঈশিংগা য়ান্নরগা শেম্বা অদুনা নমশা পক্লে নম্বদা শীজিন্নবা অদুগা শেম্বুংগী নিল্লবা খোঞ্জেল 'দোং'/'গোং' হান্নদি শিন্দুর অমদি য়াল্লম্বা শরিক মশক মুৎখিবা মীরমগী চৎনবীদগী ফিদা মুনবনি। মীরম লাইনীংগী চৎনবী ইপুধৌ থাংচীংদা অমুক হল্লক্লরোই। নৌনা হৌরক্লিবা হৌরক্লিবী নহাশিংনা মমিংগী মনিংদা য়েক্কী মমিং হাপ্নরকপদা চনু হাপ্নরকপা, মৌগী শিংদা চনবমখৈনা লৈমা হাপ্নরকপা য়েলহৌমীগী ইনাৎকী ফিদা কনবনি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫গী শাংলবা লৈঙাক্তগী ফিদা মুল্লগা নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা লমদমসিগী অনৌবা বি জে পিগী মপাংগা শেম্বা গভর্ণমেন্টনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা অৰাং কৌব্রু অশুপ্পা, মার্জিংনচিংবা অরিবা লাইফমশিং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ১৫ কায়থোক্লে, কংলাদগী জোইন্ট ইন্স্রোগেসন সেল হোংদোকহনখিবা, ষ্টেটকী থাক্তা মেরা হৌচোংবগী থৌরম কুমজা ২০১৭তগী পাঙথোক্লিবা, লমদমসিগী পুয়াশিং ইংলিস লোলদা হন্দোক্তুনা ফোঙনবা কম্মিটি শেম্লগনি হায়বা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না চৈচৎ ২০১৭-৮-১২, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ময়ামসিদগী তুনা য়েংবদা হায়রিবশিংসি লমদমসিগী হান্নগী শিথরুরবা ফীভমশিং হিংগৎহল্লগা ফিদা কন্নবগী থৌরাং ওইরক্লোইদ্রা হায়বসিনি।

অইবগী ৱারেংসি লোইশিল্লকপদা পনবদা চিংথবা য়াদবা ৰাফম অমত্তং হায়বা তারবদি অই এল পিগী পন্থনা লৈরিবা, মৈতৈ/মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব ওইরক্লবগী ৰাফমশিংগা মরী লৈননা, হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা লমদমসিদা মেজোরিটি ওইরিবা হিন্দুশিংনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট নিপালগী হিন্দুশিংনা মায়নোরিটিজ প্রোটেক্সন ওইনা পীবিনবা ইন্দিয়াগী এপেক্স কোর্ট- সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা য়ারক্তবগী অখন্নবা মরম করি ওইরমগদগে হায়রগা লোইশিঞ্জরে।